## য়ূম মৈ চাকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ (ঐচএন এস) : ঙসি নুংথিল পুং ১.৩০ রোম তারকপদা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী লৈপুং তম্পাক খুলদা লৈবা য়ূম অমা খঙহৌদনা হৌরকপা মৈনা তূম্না চাকখ্রে হায়রি।

মৈ চাকখ্রবা য়ূম অদু খুল অসিগী এল ভি রেংৱার্দ লমকাং (৪৭) অপোকপা এল ভি কোদাং লমকাংগীনি। য়ূম অদুদা মী অমত্তা লৈহৌদবা তাঞ্জাদা থৌদোক অসি থোকখিবা ওইবনা ইমুংদা থন্বা ফিরোল, উপু-কাংথোল য়াওনা পোৎলম পূম্নমক তুম্না চাকখ্রে হায়রি।

চাওরাক্লা লুপা লাখ ১৫দগী ২০ ফাওবগী মমল ওইগদবা পোৎলমশিং অমাঙ অতা থোকখ্রে হায়রি।

অদুম ওইনমক য়ূম মৈ চাক্লে হায়বা খঙলকপদগী খুঞ্জাশিংনা মৈ কন্নবা কন্না হোৎনরবসু মৈ অদু মপূং ফানা কনবদি ঙমহৌদ্রে। থৌদোক অদু মতৌ করম্না থোরকখিবনো হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি হায়রি।

## মমা মচাদগী হিরোইন কিলোগ্রাম ২.৪১৩ ফারে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ (ঐচএন এস) : ঙসি অয়ূক পুং ৮.৩০ রোম তারকপদা ককচীং কম্মান্দোগী ও সী ইন্সপেক্টর অবাস খান অমসুং সুবেদার কে ঐচ প্রকাসনা লুচিংবা টিম অমনা সাপোন কেপ ২০০দা হাপ্তুনা পুরকখিবা হিরোইন পাওদর কিলোগ্রাম ২.৪১৩ ফারে হায়রি।

ইল্লিগেল দ্রগশিং অসি কার (হোন্দা সিটি) এ এস-০১/বি এস-০০২৬তগী ফাবনি হায়রি। পোৎলমশিং অসিগা কোন্না মীওই অনীসু ফাগৎখি। মখোয়গী মমিংনা সোলোমোন লেটমিনহাও হাওকিপ (১৯) অপোকপা লুনখোসোন হাওকিপ, হেংসি ভিলেজ (চকপীকারোং) অমসুং মহাক্কী মমা হাটনৈলম হাওকিপ (৪৯) নি হায়রি।

ফারবা মমা মচা অনীমক ককচীং পুলিস ষ্টেসনদা খূৎশিন্নখ্রে। লোয়ননা ঙসি ফাগৎখিবা দ্রগশিং অসি মালেমগী কৈথেলদা লুপা ক্রোর ৫ রোমগী মমল ওইগনি হায়রি।

## পোজিটিভ ২ থেংনরে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ (ঐচএন এস) : কোভিদ-১৯ পেন্দমিককী ফীভম লেপ্তুনা ফগৎলকপগী মনুং চন্না হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা সেম্পল ১৫৩ টেষ্ট তৌবগী মনুংদা পোজটিভ কেস ২ খক্তমক থেংনখ্রে।

# মীয়ামগী লন থুম মাঙহনবা, করপটেদ ওইবা মীওইশিং চপ চানা চৈরাক ফংগনি : জয়কিষণ

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ (ঐচএনএস): চীফ মিনিষ্টরনা থন্বা ৱাফম খক্কী নত্তনা পার্টিগী ওইবা অমসুং মহাক মশাগী মায়কৈদগী ওইনা লৈঙাক অসিনা মীয়ামগী ওইবা লন থুম মাঙহন্নবা তৌরকপশিং, করপটেদ ওইবা মীওইশিংগী মথক্তা চপ চানা মতমগী মতুংইন্না চৈরাক ফংহনগনি অমসুং মখল অমত্তগী কমপ্রোমাইজ তৌরোই হায়না এম এল এ, কে ঐচ জয়কিষণনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি থাংমৈবন্দ খুয়াথোংদা লৈবা মশাগী য়ূমদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা মহাক্না মখা তানা হায়, চৎলিবা চহী ২০২২-২৩গী ওইনা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী পব্লিক একাউন্টস কম্মিটিদা মহাক মশা অমসুং এম পি সী সীগী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা এম এল এ, কে মেঘচন্দ্রসু য়াওরিবনি। ঙরাং এম পি সী সীগী প্রসিদেন্টনা পি এম জি এস ৱাইগী লুপা ক্রোর ৩০০গী শেল লৌথোকখ্রে হায়না চার্জ তৌরকখি। মসিনা মাহুদ অমসুং আর দি এন্দ পি আরগী মিনিষ্টরনা শেল লৌথোকপা লৈতে হায়রক্লে। পব্লিক একাউন্টস কম্মিটিদা কন্সটিট্যুসননা পীবা অরানবা থিদোক্ল বগী পাৱর লৈবগী মতুংইন্না পি এ সীগী মায়কৈদগী অচুম অরান পুথোকপীনবা অইবা চেরোল পীশিনখ্রে। মরম অদুনা মীয়ামগী লন থুম মৎপা অমসুং করপসন তৌরম্বশিংদি লোগী ফংফম থোকপশিং অদুমক ফংগনি হায়খি।

এম এল এ মশামক করিমত্তা ওইজবা নত্তে। শুপ্নতগী এম এল এ অমনি অদুবু চীফ মিনিষ্টরদা নোলেজ থন্লবা মতুংদা ফোঙদোকপনি হায়খি। মরমদি শাশিন্নবা কন্ত্রেক্টর অমা লৈরে হায়বদগী থিজিল্লুবদা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী কোর্পোরেটর ওইরম্বনি। মহাক ফারগা জেলদা থমখিবনি অদুবু হৌজিক থা ৩গী ওইনা বেলদা থোরক্লে হায়বা তারে। অদুম ওইনমক মহাক্কী মথক্তা লৈঙাক্লা থিজিনবা লেপত্রি। ইনক্কারি কম্মিটিনা শুরমদবা থবকশিং চ্যেক তৌবদা জি জি রোংমৈনা থবক শুরমদনা লুপা ক্রোর ১ লৌথোক্লম্বগী মতাংদা নোটিস পীখ্রে। মসিদা ইঞ্জিনিয়র ৪ থবক্তগী টর্মিনেট তৌখ্রে। ইঞ্জিনিয়র অমনা সস্পেন্দ তৌখ্রে হায়রদুনা থবকশিং অসি লৈঙাক অসিনা শেঞ্জা থুমজাগী মায়োক্তা লৌখৎলকপা থবকনি হায়খি।

হায়রিবা থবকসিদা লেম্না থাদোকপগী ৱাফম লৈতে। লৈঙাক্কী শেলশিং অসি পব্লিকনা পীরকপা টেক্সকী শেনফমনি, মাঙহনবা লৈতে হায়খি। লোয়ননা কোর্পোরেটর কম কন্ট্রেক্টর অসিনা লৌথোক্লম্লিবা শেল অসি অমুক লৌখৎনবা চপ চাবা থবকশিং পায়খৎলি। মঙোন্দা আই এম সীগী মায়কৈদগী নোটিস পীখ্রে। মদুগী পাউখুমদা মহাক্না ওন্ন-তৈনবদা কোর্পোরেটর খরনা শুবা নত্তে, অতোপ্পা কোর্পোরেটর খরসু চেন্নে হায়রকপসু লৈ। লোয়ননা পুলিসতা ঐখোয়না অইবা চেরোল পীবা মতমদা পুলিসকী মায়কৈদগী লিগেল প্রোসিদিংদা খজিক্তং ৱাৎলি হায়বগী ঙাইবনি হায়খি।




ৱার্ক চার্জ ইমপ্লোয়িশিংবু রিগুলর তাহল্লু হায়না দিমান্দ তৌরদুনা এ এম পি দব্লিয়ু ঈ এনা শিন্দুনা প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা শরুক য়াখিবশিং

# রিজার্ভ ফোরেষ্টতা শাজিল্লম্বা য়ূম শীদোকউ হায়রুবদা ফোরেষ্টকী ষ্টাফশিং হাৎকনি হায়দুনা কিহল্লক্লে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ (ঐচএনএস): রিজার্ভ ফোরেষ্টকী এরিয়াশিংদা কাঙলোন কায়না নৌনা শাজিল্লকপা য়ূমশিং হান্নদগীসু শীদোক্তুনা লাকপগী মখা তারকপা ওইনা ঙসি অয়ূক লাঙ্গোল রিজার্ভ ফোরেষ্টকী সদর ৱেষ্ট রেঞ্জগী মনুং চনবা লমদেং ব্লোক্কী কম্পার্টমেন্ট নম্বর ৩, তরুং ফোরেষ্ট বিট ওফিসকী এরিয়াদা রুলগী ৱাংমদা নৌনা শাজিল্লম্বা য়ূম অমা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংনা শীদোকখ্রে।

মফম অদুদা রিজার্ভ ফোরেষ্টকী লৈজরিবা রুলশিং থুগাইদুনা য়ূম-কৈ শাজিল্লক্লে হায়বা পাউ ফংবদগী ঙরাং উমং লোয়শঙগী ষ্টাফশিংনা মফম অদুদা চঙশিন্দুনা য়েংশিনখি অমদি নৌনা শারল্লিবা য়ূমশিং লৌথোক্লবা হোৎনরুবদা ফোরেষ্টকী ষ্টাফশিং অদুদা হাৎকনি হায়না কিহল্লকপা অমদি নুমিৎ তারকপনা মরম ওইরগা ষ্টাফশিং অদু পন্থদনা মফম অদুদগী হন্দারকখিবনি হায়রি।

অদুম ওইনমক ঙসি অঙনবা অয়ূক্তা অমুক হন্না সদর ৱেষ্টকী রেঞ্জ ওফিসর জোবিদ মৈতৈনা লুচিংবা সেন্ট্রেল ফোরেষ্ট দিভিজনগী ষ্টাফশিং, শওম্বুং রেঞ্জগী ওফিসর অমদি লম্ফেল পুলিস ষ্টেসনগী ওফিসর ইন চার্জনা লুচিংবা পুলিস টিম অমা য়াওনা চঙশিন্দুনা রুলগী ৱাংমদা শাজিল্লম্বা য়ূম অদু নমদুনা শীদোকখিবনি হায়রি।

ঙসি ইভিক্সন চথখিবা অসিগী মতাংদা উমং লোয়শঙদগী ফংবা পাউনা হায়বদা রিজার্ভ ফোরেষ্টকী এরিয়াশিং অসিদা অনৌবা ষ্ট্রকচর অমত্তা শাগৎতনবা মমাঙদসু খঙহনখিবা লৈখ্রে। লোয়ননা লাঙ্গোল রিজার্ভ ফোরেষ্টকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা কাঙলোন কায়না নৌনা শাজিল্লকপা য়ূম কয়াসু শীদোকখিবা লৈখ্রে হায়রদুনা নৌনা শাজিল্লল্লিবশিংদি মখা তানা নোটিস অমত্তা পীদনা লৌথোকপা য়াবগী অয়াবা লৈবনা রুলগী ৱাংমদা শাজিল্লম্বশিং খুদক খুদক্তা শীদোকপনি হায়রি। ফোরেষ্টকী ষ্টাফশিংদা অতম্ননা হাৎকনি হায়বা য়াওনা কিহল্লকখিবগী মায়োক্তা কেস অমা ফাইল তৌরগনি হায়রি।

পনবা য়াবদি থা অসিগী ৯দসু সেন্ট্রেল ফোরেষ্ট দিভিজনগী সদর ৱেষ্ট টিম অসিনা লাঙ্গোল রিজার্ভ ফোরেষ্টকী মনুং চনবা লৈমা খুলেন এরিয়াদসু নৌনা শাগৎলম্বা ষ্ট্রকচরশিং থেংনবদগী ফোরেষ্ট ষ্টাফশিংনা শীদোকখিবা লৈখ্রবনি হায়রি।

# মণিপুরদা নুংতিগী ফোঙলিবা পাউচেশিংগী...

*লামায় ১গী মখা...* কোনশিল্লিবা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটশিংদা পীবগী থবক চথরক্লিবনি।

অদুবু ঙসি (সেপ্টেম্বর ২৪, ২০২২) দা রেজিষ্ট্রার ওফ ন্যুজপেপর্স ফোর ইন্দিয়াদগী ফংবা রিপোর্টকী মতুংইন্না আর এন আইগী ভেলিদ ওইবা 'রেজিষ্টর্দ টাইটলস' লোয়ননা মসিগী 'রেজিষ্ট্রেসন নম্বর' ফংলবা নুংতিগী ফোঙবা পাউচে ২৮দগী হেন্না থেংনখিদে। হায়রিবা দাটা অসি আর এন আইগী ৱেবসাইট www.rni.nic.in দগী মীপূম খুদিংমক্লা খঙবা য়াগনি।

আর এন আইগী ঙসি ফাওবগী ওইবা রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্নদি লৈবাক অসিদা ফোঙবা পাউচে পূম্নমক্কী ওথোরাইজদ্ ওথোরিটি ওইরিবা রেজিষ্ট্রার ওফ ন্যুজপেপর্স ফোর ইন্দিয়াগী অয়াবা য়াওদনা মণিপুরদা নুংতিগী ফোঙবা পাউচেশিং য়াওরব্রা হায়বগী ৱাহংসি থোরকপনি।

নাকল অমরোমদা, পাউচেশিংগা হকথেংননা মরী লৈনরিবা মণিপুর লৈঙাক্কী দিরেক্টোরেট ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন্স (দি আই পি আর) না মতম মতমগী মতুংইন্না মণিপুরদা ফোঙবা নুংতিগী পাউচেশিংবু মণিপুর ষ্টেট এদভর্টিজমেন্ট পোলিসি, ২০১৩গী রুল ৫ অমসুং ৬কী মখাদা কেটেগোরি অহুম থোক্লা খাইদোক্তুনা এদভর্টিজমেন্ট পীবগী পাদম লাকপা নোটিফিকেসনদদি পূন্না নুংতিগী ফোঙবা পাউচে ৩২ য়াওই। নোটিফিকেসন অসি হৌজিক ফাওবগী ওইনা খ্বাইদগী ইকোন কোন্না জন্যুৱারী ৪, ২০২০দা থোকখিবনি।

নোটিফিকেসন অসিগী মতুংইন্না কেটেগোরি এদা পাউচে-৬, কেটেগোরি বিদা পাউচে-৯ অমসুং কেটেগোরি সীদা পাউচে-১৭ য়াওরি। মরম অসিনা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মখাদা লৈরিবা আর এন আইদগী ভেলিদ ওইবা 'রেজিষ্টর্দ টাইটল' অমসুং 'রেজিষ্ট্রেসন নম্বর' ফংদবা পাউচেশিংবু মতৌ করম্না দি আই পি আরনা মণিপুর ষ্টেট এদভর্টিজমেন্ট পোলিসি, ২০১৩গী মতুংইন্না কেটেগোরি ৩ থোক্লা খাইদোকপদা য়াওহল্লিবা করিগীনো হায়বগী ৱাহংসু থোরক্লি। লোয়ননা আর এন আইদা রেজিষ্টর তৌদবা পাউচে খরা অসি দি আই পি আরনা মতৌ করম্না শক খঙদুনা এভর্টিজমেন্ট পীরিবনো হংনরক্লি।

অসিগুম্বা মখলগী পাউচেশিং অসিদা এদভর্টিজমেন্ট পীবগী কয়াৎশিং য়াৎথোক্তুনা শেন্বগী মথক্তা পাউচেশিং অদুগী কোপিশিংসু দি আই পি আরনা সবস্ক্রাইব তৌদুনা লিশাং শিংনা লৌরক্লিবনি।

# এস টি দি সী এমনা মীয়ামগা খূৎশম্নবা খোঙজংশিং...

*লামায় ১গী মখা...*ওর্গনাইজেসন, নুঙ্গাইশাবম শগোল লম্বী নুরাথেল, লফুপাৎ মমাঙ শাবলগী অকোয়বগী মৈরা পায়বীশিংনা পূন্না খূৎশম্নদুনা শুগনুগী ৱাঙু নোংয়াইখোং মপালদা দিমান্দ অসিবু তকশিল্লদুনা ৱাকৎ খোঙজং চঙশিনখ্রে।

ঙসিগী খোঙজং অসিদা এস টি দি সী এমগী কনভিনর লাইশ্রম রোমেসনা মীতৈ/মৈতৈবু কন্সটিট্যুসনননা মশক খঙবা য়েলহৌমী অমা ওইনা লৈহৌদ্রগদি য়েলহৌ ফুরুপ অসি নোংমদি শোয়দনা মূৎখ্রগনি। মরম অদুনা মীতৈ/মৈতৈবু মূত্তনবা ঐখোয়বু কন্সটিট্যুসনননা মশক খঙবা য়েলহৌমী অমা ওইহল্লসি হায়দুনা খোঙজংশিং চঙশিল্লকপনি। মসিদা য়াম্না দেমোক্রেটিক ওইবা মওংদা চঙশিল্লক্লিবা খোঙজংশিং অসিবু মণিপুর লৈঙাক্লসু তাবীদুনা ইন্দিয়া লৈঙাক্তা মীতৈ/মৈতৈবু লৈবাক অসিগী এস টি লিষ্টতা চলহন্নবগী থাফম থোকপা রেকমেন্দেসন থাবীয়ু হায়খি।

অমরোমদা, কম্মিটি অসিনা ক্বাকৈথেল লমদোং লৈকায়, অৱাং কোঞ্জেং লৈকায় নিশাবন্দ নুপী লূপ অমসুং হাওরক কোন্থৌরেম্বী কোঞ্জেং লৈকায় মৈরা পায়বী লূপকা পূন্না খূৎশম্নদুনা চথখিবা ৱাকৎ মীফমদসু কম্মিটিগী য়ুথ ৱিংগী কনভিনর নামৈরাকপম এদিসন মীতৈনা লৈঙাক্লা মণিপুর মীয়াম্বু নুংশিরবদি অথুবা মতমদা রেকমেন্দেসন থাফম থোকই হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা মণিপুর লৈঙাক্লা অথুবা মতমদা য়েলহৌমী মীতৈ/মৈতৈবু এস টি লিষ্টতা চলহন্নবা হোৎনগদবনি। এস টি দি সী এমনা মীয়ামগা লোয়ননা তাল্লিবা দিমান্দ অসি পীদ্রবদি হেন্না অকনবা ঈহৌ লাক্লবা চেবাউ পীবনি। দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমনি হায়না ইনিদয়ানা মালেমগী মীয়ামদা চাউথোকচরিবনি। লৈঙাক্লা দেমোক্রেটিক ওইবা খোল্লাউ তাবীদবা হায়বসি দেমোক্রেসিবু খোঙ্গাওনবনি হায়না লৌই। ঙসিগী মীরোলনা তুংদা লাক্কদৌরিবা মীরোলগীদমক খোঙফম চেৎনা সেদ্যুল্ড ত্রাইবকী ষ্টেটসকী ফিবান্নুংদা চলহৌদবা তারবদি মৈতৈ হায়বা ফুরুপ অসি তপ্না তপ্না মূৎখ্রগনি হায়না ফোঙদোকখি।

## CROSSWORD-3654



**ACROSS**
1 Deep-voiced male singer(4)
3 Italian cheese (8)
9 Disperse (7)
10 Requirements (5)
11 Mix together (5)
12 Swarms (6)
14 Medical practitioner (6)
16 Nuts from an oak tree (6)
19 Container for liquid (6)
21 Din (5)
24 Stir up (5)
25 Japanese art of paper folding(7)
26 Exceed in importance (8)
27 Depend (4)

**DOWN**
1 Meddler (8)
2 Condition (5)
4 Continent (6)
5 Tropical fruit (5)
6 Gracefully slim (7)
7 Foreland (4)
8 Artist's workroom (6)
13 Harshness of manner (8)
15 Game with hoops and allets(7)
17 Frank (6)
18 Fit in (6)
20 In that place (5)
22 Fatuous (5)
23 Therefore (4)

**Solution 3653**



**SOLUTION ON NEXT ISSUE**

## HUEIYEN SUDOKU

### Hueiyen Sudoku-4054

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | | | | | 7 | | 4 | |
| | | | | | | 3 | | |
| | | | 5 | 6 | 8 | 7 | 2 | |
| 1 | | | | 5 | 4 | 6 | | |
| | | | | | | | | |
| | | 2 | 1 | 3 | | | | 4 |
| | 2 | 9 | 8 | 1 | 6 | | | |
| | | 6 | | | | | | |
| | 7 | | 2 | | | | | 9 |

### Solution-4053

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 7 | 5 | 6 | 2 | 1 | 8 | 3 | 9 | 4 |
| 9 | 3 | 1 | 5 | 7 | 4 | 8 | 2 | 6 |
| 4 | 8 | 2 | 9 | 6 | 3 | 1 | 7 | 5 |
| 6 | 2 | 9 | 7 | 3 | 1 | 4 | 5 | 8 |
| 5 | 1 | 4 | 8 | 9 | 2 | 7 | 6 | 3 |
| 3 | 7 | 8 | 6 | 4 | 5 | 9 | 1 | 2 |
| 1 | 6 | 5 | 4 | 8 | 7 | 2 | 3 | 9 |
| 2 | 4 | 7 | 3 | 5 | 9 | 6 | 8 | 1 |
| 8 | 9 | 3 | 1 | 2 | 6 | 5 | 4 | 7 |

## /EMPLOYMENT NEWS

### CENTRAL AGRICULTURAL UNIVERSITY RECRUITMENT 2022 FOR BUSINESS MANAGER, ASSISTANT MANAGER

Central Agricultural University Business Manager, Assistant Manager Recruitment 2022: Advertisement for the post of Business Manager, Assistant Manager in Central Agricultural University. Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 14 October 2022. Candidates can check the latest Central Agricultural University Recruitment 2022 Business Manager, Assistant Manager Vacancy 2022 details and apply online at the cau.globizsapp.com/ recruitment 2022 page.
Central Agricultural University Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ cau.globizsapp.com/. Central Agricultural University selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at Manipur. More details of cau.globizsapp.com/ recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on official website.
Vacancy Circular No:
Central Agricultural University (CAU)
invites applications for recruitment of Business Manager, Assistant Manager
Business Manager, Assistant Manager
Job Location:
Pasighat, East Siang, - Arunachal Pradesh
Employment Type: Full Time
Number of Vacancy: 2 Posts
Total Vacancy 2 Posts
Job Locations Pasighat
Experience 2 - 5 years
Salary 70000 - 100000(Per Month)
Posted on 19 Sep, 2022
Walkin Date 14 Oct, 2022
Educational Qualification:
Business Manager: M.Tech / MBA/CA/PGDM Equivalent Master degree in Agri Business/ Finance/ Commerce/ Marketing/ Agri Marketing/ Agri Economics/ Economics/ Technology Commercialization/ Entrepreneurship from recognized institute-having experience of 3-5 years. Preferably experience in technology commercialization; Investment banking; Banking; Project appraisal, supported incubators; Assessment and evaluation of projects startups and with experience in startup ecosystem.
Assistant Manager: M.Tech / MBA/CA/PGDM Equivalent Master degree in Agri Business/ Finance/ Commerce/ Marketing/ Agriculture/ Agri Marketing/ Agri Economics/ Economics/ Technology Commercialization/ Entrepreneurship from recognized institutehaving experience of 2-3 years. Preferably experience in technology commercialization; supported incubators; Banking; Investment banking; Project appraisal, Assessment and evaluation of projects startups and with experience in startup ecosystem.
Experience: Please refer to official document
Skills / Eligibility
Pay Scale: INR 70000 - 100000(Per Month)
Age Limit: 50 years.
Selection Procedure
Candidates will be selected based on written test/personal interview/ medical test/walkin interview. Once a candidate is selected they will be placed as Business Manager, Assistant Manager in CAU.
How to Apply:
Candidates can check the walkin process for CAU Recruitment 2022 from the official notification.
Important Dates:
Published on: 19 September 2022
Last date for application is: 14 October 2022
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification

### SAINIK SCHOOL CHHINGCHHIP RECRUITMENT 2022 FOR 5 POST GRADUATE TEACHER

Sainik School Chhingchhip Post Graduate Teacher Recruitment 2022: Advertisement for the post of Post Graduate Teacher in Sainik School Chhingchhip. Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 07 October 2022. Candidates can check the latest Sainik School Chhingchhip Recruitment 2022 Post Graduate Teacher Vacancy 2022 details and apply online at the schooleducation.mizoram.gov.in recruitment 2022 page.
Sainik School Chhingchhip Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ schooleducation.mizoram.gov.in. Sainik School Chhingchhip selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at Mizoram. More details of schooleducation.mizoram.gov.in recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on official website.
Vacancy Circular No:
Sainik School Chhingchhip
invites applications for recruitment of Post Graduate Teacher
Post Graduate Teacher
Number of Vacancy: 5 Posts
Company Sainik School Chhingchhip
Job Role Post Graduate Teacher
Education Requirement B.Ed
Total Vacancy 5 Posts
Job Locations Aizawl
Experience Fresher
Salary 47600 - 151100(Per Month)
Posted on 21 Sep, 2022
Last Date To Apply 07-10-2022
Educational Qualification: B.Ed
Experience: Please refer to official document
Skills / Eligibility
Pay Scale: INR 47600 - 151100(Per Month)
Age Limit: As per company rule.
Selection Procedure
Candidates will be selected based on a written test/personal interview/medical test/walkin interview. Once a candidate is selected they will be placed as Post Graduate Teacher in Sainik School Chhingchhip.
How to Apply:
Listed below are the steps to apply for Sainik School Chhingchhip Recruitment 2022
Step 1: Visit official website of Sainik School Chhingchhip - sschhingchhip.mizoram.gov.in
Step 2: Here look for the Sainik School Chhingchhip Recruitment 2022 Notification
Step 3: Make sure you read all the details in the notification
Step 4: Apply or send the application form as per the mode of application given on the official notification
Important Dates:
Published on: 21 September 2022
Last date for application is: 07 October 2022
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification



ৱারী মমিং : মীত্রংগী মোইবুং

ইবা অমসুং য়েকপা : সমসন সলাম

